লেন অমসুং নোংলৈ নুংশিৎনা অমাঙ অতা থোকহল্লবা ইমুংশিংদা মতেং পাংনবা খন্নখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস) : ঙরাং নুংথিল খঙহৌদনা অচৌবা লেন য়াওনা নোং চুরকখিবা অমসুং অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎলকপদগী অমাঙ অতা থোকহল্লবা ইমুংশিংদা মতম চানা পাউ পীদুনা লৈঙাক্লা পীবা গাইদলাইনগী মতুংইন্না মতেং পাংননবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা খন্নখ্রে।

মীফম অদু ঙসি নুংথিল পুং ২ তারকপদা অথুবা ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটিগী চ্যেরপর্সন লাইশ্রম বোবিগা লোয়ননা চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর কে জাদুমনি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী জিলা পরিষদনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

মীফম অসিদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটিগী চ্যেরপর্সন, মেম্বরশিং, বি দি ও, পি ও, এম আই এস, এস ও অমসুং ঈ ওনচিংবশিংনা শরুক য়াখি। মীফম অসিনা লেন অমসুং নোংলৈ নুংশিৎনা শোকহল্লবা মীওইশিংদা মতেং পাংননবা খন্নখিবগা লোয়ননা এম জি এন আর ঈ জি এগী মখাদা জোব কার্দ পায়রিবশিংদা মখা তানা থবক পীদুনা মখোয়না মায়োক্নরিবা অৱাবশিং খরদং ওইরবসু কোকহন্নবা হোৎনবগী মতাংদসু খন্নখি হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলা পরিষদকী চ্যেরপর্সননা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

জিঙ্ঘ মমল হেনগৎনা য়োল্লম্বা থেংনরে : এম এস এফ

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস): ঙরাং অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা তাখিবা লেন অমসুং নোংলৈ নুংশিৎনা অমাঙ অতা থোকহনখিবশিংদা মতেং পাংনবা লৈঙাক্লা লাউথোকখিববু এম এস এফকী মায়কৈদগী অফবা খোঙথাংনি হায়না তরাম্না ওকই অদুবু মরী লৈনবা এস দি সী/এস দি ও/দি সীদা পীশিনগদবা চে চাং অদুনা অমুক্তা হেন্না অৱাবা নংলবা ইমুংশিংদা চৈথেং পীগদবগী মহুত্তা লৈঙাক্কী ওফিসলশিংনা হকথেংননা মফম মফমদা চৎতুনা তৌফম থোকপা থবকশিং তৌগদবনি হায়না মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) কী ক্বাকৈথেলদা লৈবা হেদ ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা জেনরেল সেক্রেটরি সুন্দর খুমননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তারকপদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা য়ূমথক কুপ্নবা তিনশিং গোদাউনদা লৈনা লৈনা লৈতে হায়বা, লম্বীদা লাকই নৎত্রগা লাক্তে হায়বগী ৱাফম তৌবীগনু। হান্নগী মমলদগী হেনগৎনা য়োল্লন্নবদি লৈঙাক্কী ওথোরিটিশিংগা লোয়ননা লৌখৎলকপা থবক্তা থোরকপা পূম্নমক মশা মশাগী তেকচাক ওইজগদবনি। ঙসিসু লূপ অসিনা থাঙ্গাল কৈথেল, চীংমৈরোং খোংনাং অনী কারক অমদি মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা দুকানশিংদা কোয়না চৎতুনা য়েংশিল্লুবদা য়ূমথক কূপ্নবা তিন অসি হান্না য়োল্লম্বা মমলদগী লুপা ২০০ হেনগৎনা য়োল্লম্বা থেংনখি। দুকানশিং অদুদি থাঙ্গাল কৈথেলগী এস দি ষ্টিল অমদি খোংনাং অনী কারক্কী এম/এস ষ্টিলনচিংবনি হায়রি।

মীওই অমগী মোবাইল ফোনদা ...

*লমায় ১গী মখা...*ওসমা বিন লাদেনগী য়াওনা জিহাদ প্রমোসনগী অমসুং আই এস আই এসগী ফ্লেগশিংগী ফোটোগা কোন্নদা ইনক্রিমিনেটিং মেটরিএলশিং য়াওরম্মী অমসুং মীওই অসিনা মুসলিমগী লাইনীং শন্দোকপা অমা ওইবদা নত্তনা লাইনীং অসিগী হার্দ লাইনরগী লেকচরশিংবু তারম্মী হায়বসিনি।

অদুম ওইনমক এন আই এনা মঙোন্দা শীরক্লিবা মরালশিং অসি য়ানীংদবা ফোঙদোক্লদুনা মহাকপু কেস অসিদগী বেল পীবিনবা হায়জরকখিবা প্রেয়র অদু খন্নরদুনা কোর্টনা ফোঙদোকখিবদা অসিগুম্বা মখলগী ইনক্রিমিনেটিং মেটরিএলশিং অসিদি ঙসিগী ইলেক্ট্রোনিক্কী মতম অসিদা ৱর্ল্ড ৱাইদ ৱেভ (দব্লিয়ু দব্লিয়ু দব্লিয়ু) গী খূথাংদা ফ্রীদা ফংবা মচাক ওাক্তনি। হায়রিবা মচাকশিং অদু দাউনলোদ তৌরগা মীওই অসিগী মোবাইল ফোনদা য়াওরম্মী হায়বসিনা মহাকপু আই এস আই এসকা শম্নবা মীওইনি হায়দুনা চার্জ তৌবদা মতিক চাবা ইভিদেন্স ওইদে হায়খি।

অসিগুম্বশিং অসিদি কনাগুম্বা খঙনীংবা পোকপা মীওই অমনা ফংবা য়াই অমসুং দাউনলোদ তৌবসু য়াই। অদুবু হায়রিবা থবকশিং অসি তৌরে হায়দুনা থবকশিং অসিবু ক্রাইমনি হায়দুনা লৌবদি য়ারোই হায়খি।

অদুম ওইনমক কোর্টকী মায়কৈদগীদি খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্তা ফোঙদোক্কদবা ৱাফম য়েংলুরগদি অদুগুম্বা মীওই অদু খ্বাইদগী থাক ৱাংনা রেদিকেল ওইবা মীওইনি অদুগা আই এস আই এসকী ৱাখল্লোন থাজবা মীওইনি হায়বা ফাওবদি য়াই হায়খি।

ৱাফমশিং অসি ফোঙদোক্লদুনা দেল্লী হায় কোর্টনা অমর অবদুল রহিমাননা প্রেয়র তৌরকপগী মতুংইন্না মঙোন্দা বেল পীখি।

নুমিৎ ৪নি চত্থগদবা য়ুথ লিদরশিপকী ৱার্কশোপ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস):

তরাগী চৈশুনা ন্যু দেল্লীগী য়ুথ ফোর পিছ, ইন্টরনেসনলগা খূৎশম্নদুনা নুমিৎ মরিনি চূপ্পা চত্থগদবা য়ুথ লিদরশিপ ইন কনফ্লিক্ট ট্রান্সফোর্মেসন এন্দ পিছ বিল্ডিংগী ৱার্কশোপ ঙসি অয়ুক পুং ৯ তাবদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ওপন এয়র থিএটরদা হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা এম য়ুগী লাইফ সাইন্সেস দিপার্টমেন্টকী দিন প্রোফেসর জি কে এন ছেত্রিনা অথোইবা মীথুংলেন ওইরগা পি সোনামনিনা অখন্নবা মীথুংলেন অমসুং ডা. আর কে নিমাই (রিটাইয়র্দ আই এ এস)না স্পেসল গেষ্ট ওইরগা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী এক্টিং চ্যেরপর্সন ওইরম্বা খাইদেম মনি, সিনিয়র এদভোকেটনা ময়ায় তাংবল লৌখি। ৱার্কশোপ অসিগা মরী লৈননা তরাগী চৈশুগী সেক্রেটরি ডা. দেবেন বাচস্পতিময়ুম্না পাউমীশিংদা হায়, ঙসিদগী পাঙথোক্কদৌরিবা নুমিৎ মরিনিগী ৱার্কশোপ অসি দেল্লিদা বেজ তৌবা য়ুথ ফোর পিছ ইন্টরনেসনলগা খূৎশম্নরগা শিনবনি। মালেমদা লৈরিবা এথনিক কনফ্লিক্ট থেংনরিবা য়ুথশিং অসিদা মতৌ করম্না পিছকী ৱাখল চেলহনগদগে হায়বসিগী মতাংদা ওর্গনাইজেসন অসিনা ৱার্কশোপ কয়া শিন্দুনা লাক্লি। হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা কনফ্লিক্ট অসিদসু অসিগুম্বা পিছ বিল্ডিং অমসুং কনফ্লিক্ট ট্রান্সফোর্মেসনগী ৱার্কশোপ অসি মথৌ তারি। য়ুথশিংদা মসিগী ৱাখল্লোন পীহৌগদবনি। পিছ পাম্মী হায়রগা থাঙ পায়রগা লৈরগদি পিছ লাক্লোই। পিছ পাম্নগদি ঐ ইশা হান্না পিছফুল ওইবা চঙই। ঐনা পিছ ওইরবদি ঐগী ফেমিলি পিছফুল ওইগনি। ঐগী ফেমিলি পিছফুল ওইরগদি লৈকায়সু ওইরক্কনি অদুগা ইরমদমসু ওইরক্কনি হায়খি।

পিছকী এদ্যুকেসন অসি মথৌ তারে হায়বগীদমক ৱার্কশোপ অসি পাঙথোকপনি। ৱার্কশোপ অসিদা লৈবাক অসিগী মনুংদগী অমদি মপান লৈবাক কলম্বিয়ানচিংবদগী দেলিগেটশিং লাক্তুনা শরুক য়ারগনি হায়খি।

নোংলৈ নুংশিৎনা শোকহনখিবা য়ূম...

লমায় ১গী মখা... চত্থবা এসেসমেন্টদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম ফাওবদা ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না য়ূম ১৫,৪২৫ অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমদি লেননা অমাঙ অতা থোকহনখ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা মীওই কয়া ময়ূমদা লৈবা য়াদবদগী রিলিফ কেম্প ৪২ রোম হাংখ্রে। অমাঙ অতা থোকখ্রবা য়ূমশিং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতা ৬,০৫৩, ইম্ফাল ইষ্ট ৫৬০০, বিষ্ণুপুর ১,১৭৯, থৌবাল ৮০০, ককচীং ১২০, উখ্রুলদা ২০০ রোম, তমেংলোং ১৩০, নোনে ১২০, কামজোং ১০০, চুড়াচান্দপুর ৫৪০, কাংপোকপী ২৯১, চান্দেল ১৬ অমসুং তেংনৌপলদনা য়ূম ২৭৫নি হায়খি।

ময়ূম মকৈ অমাঙ অতা থোকখ্রবা মীওইশিংদা দম্বুর অমসুং চেঙ চাকশিং খুদক্কী ওইনা মরী লৈনবা দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংগী খূত্থাংদা পাংবা হৌখ্রে। অমাঙ অতা থোকখ্রবশিংগী মতেং পাংনবা ষ্টেট দিজাষ্টর রিলিফ ফন্দগী লুপা ক্রোর ৬.৯০গী শেনফম দি সীশিংদা থাদোকখ্রে। লেন য়াওনা নোং অমদি অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা মরম ওইদুনা শোকহনখিবা ইলেক্ট্রিককী লাইনশিংসু অথুবা মতমদা শমজিন্নবা হোৎনরি। থৌদোক অসিদা জিঙ্ঘনা কুপ্পা য়ূমশিংনা অয়াম্বা শোকপনিনা শেমজিন্নবগীদমক জিঙ্ঘ লৈবা মতমদা য়োল্লিবশিংনা এপ্রিল ৩০দা পীরম্বা মমল অদুদগী হেনগৎনা য়োন্দনবা লৈঙাক্কী সী এ এফ এন্দ পি দি লোয়শঙ অমসুং দি সীশিংনা ওর্দর থোকখ্রে। অদুগা থোক্লিবা অৱা অনা কয়াসিগী খুদোংচাবা লৌরগা পোৎ চৈগী মমল হেন্না য়োনবীদনবসু মহাক্লা আপীল তৌখি।

অকনবা লেন অদুনা শোকহল্লবা য়ূমশিং মখা তানা সর্ভে তৌখিগনি হায়রদুনা খুদোংচাদবা মায়োক্নরবা মীয়াম্নসু দিষ্ট্রিক্টশিংগী গ্রিভান্স সেল নৎত্রগা 'সী এমদা হায়সি' গী নম্বরদা অদুমক পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি। য়ূম খক্তগী নত্তনা অমাঙ অতা থোকখিবা মহৈ মরোং, শা-ষণ অমদি পোৎ চৈশিংগী কম্পেন্সেসন সেন্টরদগী শেন্থং লৌথদুনা পীনবা হোৎনগনি। হৌজিক্কী ওইনদি দি সী অমদি চীফ সেক্রেটরিগী খূত্থাংদা মীয়ামগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা হোৎনরি হায়খি।

লাইভষ্টোক ইন্সুরেন্স...

লমায় ১গী মখা... দিরেক্টরনা এসেসমেন্ট তৌরি। ফার্ম মেনেজরশিংদসু হয়েং ফাওবগী মনুংদা রিপোর্ট পীখৎলক্কবা খঙহনখ্রে হায়খি।

শা-ষণ য়োক্লিবা লৌমীশিংনা নোংজু অমসুং নুংশাগী মতম লাকপদা য়োক্লিবা শা-ষণশিং অদুদা লায়নাশিংনা নাহল্লকপা য়াই। মরম অসিনা লাইভষ্টোক ইন্সুরেন্স য়াওশিনবীয়ু। মসিগী কান্নবা লৌবীয়ু। ইন্সুরেন্স অসিগী মখাদা লুপা লাখ ১গী চাংদা য়াওবদা চহীদা লুপা ১০৫০ খক্তমক প্রেমিয়ম ওইনা থিগদবনি। ইন্সুরেন্স অসি য়াওহৌবনা শা-ষণশিংদা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরকপদা মতেং ওইগনি হায়খি।

সী আই এস সী ঈনা লৌবা ক্লাস ...

লমায় ১গী মখা... ঙমখিবীনি। মহাক লুধিয়ানাগী দুগ্রিদা লৈবা সট পোল মিট্টল স্কুলগী মহৈরোয়নি। এগজামিনেসন অসিদা মহাক্লা মার্ক য়াম্না ৱাংনা ফংদুনা মায় পাক্লকপদা পাউচে অমনা হংখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুমদা মহাক্লা হায়, হৌজিক মহাক্লা জর্নেলিষ্ট অমা ওইগে হায়দুনা টার্গেট তৌরিবনিনা অশোকা য়ুনিভর্সিটিদা ইংলিস অমসুং মীদিয়া ষ্টদিজ তম্লগনি। মহাক ইবা অমসুং প্রিন্ট জর্নেলিজমবু পামজৈ। অদুবু মহাক্লা ক্লাস এলেভেনদা হ্যুমেনিটিজ লৌরগা মহাক্কী পেরেন্টস অমসুং ওজাশিংদা মহাক্লা জর্নেলিষ্ট অমা ওইরক্নবগীদমক ইংলিস অমসুং মীদিয়া ষ্টদিজ তম্লগনি হায়বগী মতাংদা ৱাখল তাহনবগী থবক্তি অরাইবা অমা ওইখিদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

কুকি টেররিষ্টশিংনা ইচুম কোমদা ...

লমায় ১গী মখা... খূৎলায় পায়দুনা চঙলক্লগা খুঞ্জাশিংবু কিহন-খংহনবা অমসুং ফাদুনা ফাওবা পুখ্রগা ফূ চৈবগী থৌওং চত্থরল্লিবা কুকি টেররিষ্টশিং অদু করম্বা কুকি অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসনগী মীওইশিং ওইরমগদগে হংলুবদা মহাক্লা হায়, ইচুম কোম খুলদা চঙলক্লগা চত্থরল্লিবা থৌওংশিং অদু কুকি ভোলন্টিয়রশিংনি। মখোয় কে এন এফ (এম সী) গী জর্মনগী লুচিং মখাদা লৈবা ভোলন্টিয়রশিং ওইগনি হায়রি।

অদুম ওইনমক থৌদোক অসিদা চেন্নবা ভোলন্টিয়র ৮/৯ লোম অদু মখোয়গী মথক থোংবা মীওইশিংনা কৌরকপদগী ঙসিদি খুল অসি থাদোক্তুনা চৎখ্রে হায়নসু ফোঙদোরকখি।

নোংমৈ...

লমায় ১গী মখা... পায়দুনা কাপ্লকখি। গাড়ীদুসু ঙারি নম্বগুম্না কূক-কূক ইন্ননা তোংশিন্দুনা লাকখিবনা নীংথিজনা ফম্বা ঙমখিদে। ঐখোয়বু ঙাকপী শেনবীরকখিবা সিফাইশিং অদুনা পাকথরগা নোংথক্তা নোংমৈ কাপ্ল কাপ্লগা কুকি লমহেনশিংদু তানখায়রম্লগা ঐখোয়বু পুদুনা লাকখিবনি। অদু ফাওবদা কুকিশিংনা চৈনা থিনজিল্লকপদগী গাড়ী মনুংদা তোংলকখিবশিং শোকপা-পনবা য়াওনখি। তোংলিবা নুপীমচাশিংদা ওনশিন্দুনা ফজদবা ৱাহৈ ৱাতা কয়া ঙাঙ শল্লকখি। চুড়াচান্দপুরগী মিনি সেক্রেটেরিএটতা তূম্বা চাবা খঙদনা ৱানা লেল্লক্লবা মতুং খুমন লম্পাক ফাওবা লাকপগী লম্বী মতেক্তা মীৎনা উরকখিবা থৌদোক কয়া অদুনা ঐখোয়না লৈরিবসি ইশাগী ইরমদম মণিপুরনি হায়বা কাউথোকখি। মখোয়না চত্থিবা থৌওংশিং অদু শা-ঙানা ফাওবা তৌরোইদবা শাজৎনি খনখি। মীতৈশিংদা অদুক য়াম্না তমথীনা চত্থরকখিবা থৌওংশিং অদু হৌজিক ফাওবদা মঙদা ফাওবা অদুমক উরগা লৈরি হায়না ফোঙদোরকখি।

'করপসন' গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ

'করপসন' (শেঙ্গা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	90.066958
US Dollar	83.492034
British Pound	105.124059
Australian Dollar	55.393894
Chinese Yuan Renminbi	11.586759
Japanese Yen	0.543633
Malaysian Ringgit	17.614701
Singapore Dollar	61.874130
South Korean Won	0.061627
Saudi Arabian Riyal	22.264542
Thai Baht	2.275894

GAS NEWS

POROMPAT INDANE GAS, KONGKHAM LEIKAI, NEAR WATER SUPPLY:
BOOKING UPTO 12/03/2024
Valid from 16/02/2024
#Pls contact 9366184547 for home delivery during 8.00 AM to 10 AM.

প্রো-খালিষ্টানি গ্রুপতগী এ এ পিনা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন...

লমায় ১গী মখা... বেজ তৌদুনা 'সিখস ফোর জষ্টিস' কী পান্দমদা থবক তৌরিবা খূৎপু অসিদগী ফংখিবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক দেল্লীগী লেফটিনেন্ট গভর্ণর ভি কে সক্সেনানা হীরম অসিগী মতাংদা মহাক্লা কমপ্লেন্ট অমা ফংলে হায়রদুনা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী মথক্তা থিজিন্নবা এন আই এদা রেকমেন্দ তৌখিবগী থৌওং অসিবু এ এ পিগী লুচিংবা অমসুং পার্টি অসিগী মিনিষ্টর সৌরব ভর্দৱাজনা অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোকখি।

দেল্লীগী লেফটিনেন্ট গভর্ণরনা থাংলক্লিবা খোঙথাং অসি অর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী মায়োক্তা অতোপ্পা লৌতুনবা অমনি হায়বগা লোয়ননা লেফটিনেন্ট গভর্ণর ভি কে সক্সেনা মশামক বি জে পিগী এজেন্ট অমনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

লেফটিনেন্ট গভর্ণর অসিগী সেক্রেটরিএটকী পাউ পল্লদুনা হায়বদা এ এ পিনা প্রো-খালিষ্টানি গ্রুপস অসিদগী ফংখ্রিবা য়াম্লবা শেনফম অদু অদুঙৈ কুমজা ১৯৯৩দা দেল্লীদা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমগী মতাংদা লৌখৎপা কেসকী ৱায়েলদা মরাল লৈরে হায়দুনা কোর্টনা কনভিক্সন পীখ্রবা দেবেন্দ্র পাল ভুল্লরবু থাদোক্নবা অমসুং প্রো-খালিষ্টানি সেন্টিমেন্টশিং শাগৎপদা শীজিন্ননবনি হায়না মরাল শীরি।

মরম অসিনা ৱাকৎ অসি চীফ মিনিষ্টর অমগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবদা নত্তনা লোনা থিংলবা খূৎপু অমদগী পোলিটিকেল পার্টি অমনা ফংবা শেনফম ওইবনিনা ৱাকৎ অসিবু ফাইল তৌরক্লিবা কমপ্লেনেন্ট অদুনা পীরক্লিবা ইলেক্ট্রোনিক ইভিদেন্সশিং অদুগী মতাংদা ফোরেন্সিক এগজামিনেসন য়াওনা ইনভেষ্টিগেসন চত্থবগী মথৌ তারে হায়খি।

লেফটিনেন্ট গভর্ণরনা ৱাকৎ অসিগী মতাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসতা ইখিবা চেরোল অমদা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা কুমজা ২০১৪গী জন্যুৱারীদা ইকবাল সিংহ কৌবা মীওই অমদা ইখিবা চেরোল অমদা এ এ পি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মাঙজৌননা দেবেন্দ্র পাল ভুল্লরবু থাদোক্নবা প্রসিদেন্টদা রেকমেন্দ তৌখিবা লৈরে অমসুং মখা তানসু হীরম অসিগী মতাংদা এস আই টি অমা শেম্বগা লোয়ননা হোৎনখিগনি হায়না ফোঙদোকখি হায়বা ৱাফমসু পনখি।

পনবা য়াবদি, ইকবাল সিংহ হায়রিবা মীওই অসিনা দেবেন্দ্র পাল ভুল্লরবু থাদোক্লগনি হায়বগী অইবা থাজবা অমা পীয়ু হায়দুনা জন্তর মন্তরদা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনখিবনি। অদুবু অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা অইবা চেরোল অসি পীরবা মতুংদা মহাক্কী খোঙজং অদু হন্দোকখিবনি।

অদুম ওইনমক লেফটিনেন্ট গভর্ণরনা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা কমপ্লেন্ট অদুদা সিখস ফোর জষ্টিসকী চীফ অমসুং ৱান্টেদ লাউথোকখ্রবা খালিষ্টানি খূৎপু অসিগী গুরপটৱান্ট সিং পান্নুননা থাদোরকপা ভিদিও অমদা এ এ পিনা খালিষ্টানি গ্রুপ অসিদগী হৌখিবা কুমজা ২০১৪দগী ২০২২ ফাওবগী মনুংদা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ১৬ ফংখি হায়বগী ৱাফমশিং য়াওই হায়রি।

চার্জ অসি খক্তা নত্তনা কুমজা ২০১৪দা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা ন্যু য়োর্কতা চৎখিবা খোঙচৎ অমদা মফম অদুগী গুরুদ্বারা রিচমোন্দ হিলসতা খালিষ্টানি লুচিংবশিংগা মহাক্কী মরক্তা ক্লোজ দোর মীটিং অমসু পাঙথোকখি হায়না চার্জ তৌরি। মীফম অদুদা মহাক্লা খালিষ্টানি গ্রুপ অসিদগী এ এ পিনা শেল থুমগী তেংবাঙ ফংলবনিনা মসিগী পাউখুম ওইনা দেবেন্দ্র পাল ভুল্লরবু থাদোক্লবা হোৎনগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবসু পীখি হায়না চার্জ তৌরি। অদুগা হান্না এ এ পিগী ৱার্কর ওইরম্বা ডা. মুনিসকুমার রাইজদা কৌবা মীওই অমনসু সোসল মীদিয়াদা থাগৎলকখিবা পোষ্টশিংদা কেজ্রিৱালনা খালিষ্টানি লিদরশিংগা পাঙথোকখিবা মীফম অদুগী ফোটোশিং য়াওই হায়রি।

লেন ১সুং অকনবা নুংশিৎনা শোকহল্লবা ইমুংশিংদা লৈঙাক্লা...

লমায় ১গী মখা... থোকহনখিবসি য়াম্নমক লাইবক থীবনি। ঐহাক ইশাসু ঙসি ঙরাংগী থৌদোকশিং অসিনা শোকহল্লবা মফমশিংদা চৎতুনা য়েংশিল্লুরে হায়খি।

অমাঙ অতা থোকখিবগী অকূপ্পা ৱারোলগা লোয়ননা ফোটোশিং মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসলশিংদা পীখৎলক্নবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী খঙহনখিবা লৈরে হায়রদুনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীনা অৱা অনা তারবা ইমুংশিংদা করি করম্বা মতেং কয়াম য়াম্না পাংগদৌরিবনো হংখি। লৈঙাক্লা কেবিনেটকী ৱারেপ অমা লৌরগা য়ুনিয়ন লৈঙাক্তগী পেকেজ অমা লৌগদ্রা নৎত্রগা ষ্টেটকী শেনফমদগী অদুমক শীজিন্নগদ্রা হায়বনচিংবা ৱাফমশিং ময়েক শেংনা মীয়ামদা খঙহল্লগা শেন্মীৎলোন শোল্লবা মীয়ামগী অৱাবদা মতেং পাংনবগীদমক লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপীয়ু হায়খি।

কোংগ্রেস প্রসিদেন্টনা মখা তানা হায়, ময়ূম মকৈ অমাঙ অতা থোকখ্রবা মীওইশিং অসিগীদমক লৈঙাক্লা শেল ওইনা মতেং পাংগদৌরিব্রা নৎত্রগা য়ূম ওইনা শাবীগদৌরিব্রা হায়বদুসু অথুবা মতমদা ময়েক শেংনা লাউথোকপীয়ু। দিষ্ট্রিক্টশিংগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংগী খূত্থাংদা মতেং পাংনবা লৌখৎলক্লিবা থবক অসিগী মথক্তা অৱাবা তারবশিংগী মতেং পাংদুনা মখোয়না মায়োক্নরিবা অৱা চৈথেং খরদং ওইরবসু কোকহন্নবগীদমক খুদোংথীবা থৌদোকশিং মায়োক্নখিবা মফমশিং কোল্লিবা এম এল এশিংগী লোকল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দগী শেনফমশিংসু লৌথোক্তুনা শীজিন্নবা য়াহনবীয়ু হায়নসু আপীল তৌখি।

পনবা য়াবদি, য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ আর্থ সাইন্সেসকী মেটিওরোলোজিকেল সেন্টরগী মখাদা ইম্ফালদা লৈরিবা রিজনেল মেটিওরোলোজিকেল সেন্টরদগীনি হায়বা চেরোল অমনদি মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬ মক্তা থা অসিগী ১০ ফাওবদা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুরবা য়াই হায়বগী ৱাফম ফোঙদোকপা লৈরিবনি।

বি জে পিগী লুচিংবশিংনা ইলেক্সনগী মোদেল কোদ...

লমায় ১গী মখা... তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস অদু রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপল এক্টকী মরী লৈনবা সেক্সনশিং অমসুং আই পি সীগী সেক্সন ৫০৫ (২) গী মখাদা লৌখৎপনি। মখোয়না কাঙলূপ ফূরুপশিংগী মরক্তা নুংশিনহন্দনবা হোৎনৈ হায়বগী চার্জ তৌবনি হায়রি।

কেস অদু কর্ণাটকা প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী মায়কৈন্দগী মীদিয়া এন্দ কম্যুনিকেসনগী চ্যেরমেন রামেস বাবুনা কমপ্লেনেন্ট ওইদুনা বেঙ্গলুরু সিটি পুলিসতা রিপোর্ট তৌরকপগী মতুংইন্না লৌখৎপনি হায়রি।

কোংগ্রেসকী কমপ্লেন্ট অসিদা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমশিংনা বি জে পিগী ওফিসল সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্ম 'এক্স' তা কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধী অমসুং কর্ণাটকাগী চীফ মিনিষ্টর সিদ্দারামায়াগী এনিমেটেদ করেক্টরশিং য়াওবা ভিদিও অমা অপলোদ তৌরকখিবনি। ভিদিও ক্লিপ অদুদা সেদ্যুল্ড কাষ্ট, সেদ্যুল্ড ট্রাইব অমসুং ও বি সী ফূরুপশিংবু মকোন অমদা লৈবা য়েরূমশিং ওইনা উহল্লি। অদুগা রাহুল গান্ধীনা মুসলিম ফূরুপ্পু মহুৎ শিল্লিবা খ্বাইদগী চাউবা য়েরূম অদুবু লৌখৎহল্লগা এস সী, এস টি অমসুং ও বি সী কম্যুনিটিশিংবু কাউথোকপগী শক্তম উহল্লি হায়রি।

থৌওং অসিমক কোংগ্রেসনা পাঙথোরল্লিবা মীখল অসিদা মুসলিম কম্যুনিটিবু হেন্না লূম্না লৌবা মালহল্লি। লোয়ননা বি জে পিগী লুচিংবশিং অসিনা অতৈ ফূরুপশিংবু কোংগ্রেসনা হন্থনা য়েংবা মালহল্লি হায়নসু চার্জ তৌরি। মরম অসিনা বি জে পিগী লুচিংবশিং অসি সেদ্যুল্ড কাষ্ট/সেদ্যুল্ড ট্রাইব প্রোটেক্সন ওন এট্রোসিটিজ এক্ট, ১৯৮৯গী সেক্সন ৩ (এল) (এ) গী মখাদা চপ চাবা চৈরাক ফংফম থোকই হায়রকখিবনি।

কর্ণাটকা কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী পুলিসতা ৱাকৎপা খক্তা নত্তনা জে পি নদ্দা য়াওনা বি জে পিগী লুচিংবা অহুম অসিগী মথক্তা মখোয়না সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্মদা সেদ্যুল্ড কাষ্ট/সেদ্যুল্ড ট্রাইব ফূরুপকী ভোটরশিংবু কোংগ্রেসতা ভোট পীহন্দনবা কিহল্লে হায়বগী চার্জ তৌরদুনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদসু ৱাকৎখ্রে হায়রি।

পুলিসতা পীশিল্লকখিবা ৱাকৎ চেরোল অদুদা ইলেক্সন অসিগা মরী লৈননা য়েংশিন্নবগীদমক ষ্টেট লেভেল মীদিয়া মোনিটরিং কম্মিটি লৈনা লৈনা মতৌ করম্না অসিগুম্বা মখলগী ভিদিও ক্লিপ অসিবু সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্মদা বি জে পিনা অপলোদ তৌরকপদা মতৌ করম্না অয়াবা পীখিবনো হাংলকখি।

করিগুম্বা অয়াবা পীরমদবা ওইরবদি রাহুল গান্ধী অমসুং সিদ্দারামায়াগী শক্তম/ভিদিও এনিমেটেদ তৌদুনা শীজিন্নবগীদমক এক্সন লৌখৎফম থোক্তব্রা অদুগা এস সী/এস টি অমসুং ও বি সী ফূরুপকী মীওইশিংবু য়েরূমদৌনা উহল্লগা ইকায়বা পীবগীদমক মতিক চাবা থবক পায়খৎফম থোক্তব্রা হায়নসু হংখি।

বি জে পিনা চত্থরক্লিবা থৌওং অসিমক লোক সভা মীখল অসিদা কোংগ্রেসনা মুসলিম কম্যুনিতি ভোটরশিং খক্তবু থাজবা থম্বা ওইনা উহল্লে হায়নসু চার্জ তৌরি।

CHEMISTRY ONE STOP SOLUTION
(A Premier Coaching Institute for NEET)
REGISTRATION OPEN
for
Regular Foundation Course for NEET(2024-25)
Class Starting From 23rd May,2024 (Thursday)
Integrated Course for NEET(Class-XI)
Class Starting From 13rd May,2024 (Monday)
Seats are limited
OUR SHINING STAR
Fresher
Lanngam Ningombam 37th Rank(2022)
Rahul Naorem 57th Rank(2022)
Bidyachandra Salam AIIMS GUWAHATI (2022)
Bidyarani Thokchom 46th Rank(2023)
M Pravina 79th Rank(2023)
CONGRATULATION NEET (UG) 2023
Daina Ningthoujam 23rd Rank
Bidyarani Thokchom 46th Rank(Fresher)
Albina Yumnam 63rd Rank
Thokchom Sampresh 68th Rank
M Pravina 79th Rank(Fresher)
Laishram Nganba 86th Rank
Shinthangambi W 111th Rank
M.Dhanamanjuri Devi 126th Rank
Loitongbam Rimzhswori 168th Rank
Shougrakpam Robert 196th Rank
Chungbuanliu Gonmei 16th Rank(ST)
Bangmeilu Gangmei 26th Rank(ST)
Regina Phaomei 36th Rank(ST)
Rukho Shangne 79th Rank(ST)
Thingamla Angkang 104th Rank(ST)
At Keishamthong Aheibam Leikai, Near Keishampat Junction, Imphal
Contact No.: 7005716045/9818356483
HL-P/10562/26-30 April/3-27 May

ENGLISH COMPUTER
Govt. Regd. No. 2102 of 2012
GLOBAL SPOKEN ENGLISH & DOT COM COMPUTER
BEHIND POLOGROUND, GAURAHARI MARKET, PAONA BAZAR, IMPHAL NEAR HOTEL KRISHTINA
Many Students were certified and eligible for applying Job
Online or Offline Class Available
Computer Certificate Course is compulsory for both Govt. & Pvt. Job
ENROLL NOW
Computer Course
BCC
CCA
DCA
DTP
CCP
Taly with GST
Data Entry
Multimedia
Office automation
Business Package Etc.
Admission Open
Spoken English
Classes for Groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
Grammar, Pronunciation, Group discussion, Public speaking,Vocabulary
Instructor:-
Sir Tejkumar (Teaching Since1987) (English)
Alice Thokchom (English)
Sir Bidyananda (Computer)
For registration contact us -
Call - 8132904426 (English)
Call Or Whatsapp On 8415016049 (Computer)
Email on : Globalspokenanddotcom@gmail.com
HL-B/8674/3_Apr. to 31 May_Alt